## ব্রজ তারকপদা য়ূম মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএন এস) :
ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খুমজি পার্ট ফাইভতা লৈবা কে পি ঙামী শঙলূপকী য়ূমগী চাকশঙদা ব্রজ তারকপদগী মৈ চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা লুপা লাখ ৩ রোমগী পোৎ চৈশিং মাঙহনখ্রে হায়রি।

## হিরোইন ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএন এস) :
ঙসি অয়ুক পুং ৭.১০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর সী দি ওগী ও সী ৱাই শক্তি সেননা লুচিংবা টিম অমনা ক্বাক্তা তুরেল মপানগী মফম অমদগী মীওই অনীদগী সাপোন কেপ ৪০দা হাপ্লগা পুরকখিবা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৪৮৮ ফারে হায়রি।
দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুনা সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী ৱাহেংবম রাজকুমার (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু সুনিল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী থানলোনগী খোঞ্জাং ভিলেজদগী কাইমুৱানলাল সিংসোন (২২) অপোকপা গাইখোলেন সিংসোন কৌই হায়রি।

## মহৈরোয় ১ তান্থোকখি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএন এস) :
বোসেমনা লৌদুনা চথরক্লিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা ঙসি লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা মহুৎ শিল্লগা থারম্বগীদমক মহৈরোয় ১ তান্থোকখ্রে হায়রি।

## নুপী দিরেক্টরশিংগী ২শুবা দ্রামা ফেষ্টিবেল-২০২২

# অনীশুবা নুমিৎতা 'জাল্লিয়ানৱালা বাঘ' উৎখ্রে

**নোমিতা খোংবান্তাবম**



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএন এস) :
ঙরাংদগী হৌদোকখিবা নুপী দিরেক্টরশিং খক্তগী ওইবা অনীশুবা নুপীশিংগী দ্রামা ফেষ্টিবেলগী ঙসি নীনি চনবদা বনিয়ান রেপরটরি থিএটরগী 'জাল্লিয়ানৱালা বাঘ' উৎখ্রে।
অদুঙৈ ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মায়োক্তা হৌরকখিবা নীংতম লানগী শরুক্তা য়াওখিবা জাল্লিয়ানৱালা বাঘ মীহাৎতা য়ূম্ফম ওইবা পুং ১গী দ্রামা অসিগী দিরেক্সন ক্ষেত্রিময়ূম ফজতোননা পীবনি। অদুগা কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা ৱারীদগী মাখোনমনি মোংসাবনা এদোপ্টসন তৌবনি।
জাল্লিয়ানৱালা বাঘকী থৌদোক অসি অদুঙৈ কুমজা ১৯১৯গী এপ্রিল ১৩দা অমৃটসরদা থোকখিবনি। নুমিৎ অসি শিখ ফুরুপকীদি অনৌবা চহী হৌবা বৈশাখিগী অচৌবা কুম্মৈগী নুমিৎনি। অদুবু বৃটিশকী মখাদা লৈবা অমৃটসরগী মীয়াম্বু অদুক্কী মতিক ওৎ নৈবা কয়া চত্থবদগী খাংবা ৱারক্তুনা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা শীংনবা মৈরি অমা চাকখৎলকখিবনি।
বৃটিশ সিফাইশিংনা নুপী কয়াবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা, নুপাশিংবুনা নমদুনা পোৎলুম থাংহনবনচিংবা কয়াদগী মফম অদুদা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। অদুগা বৃটিশকী মায়োক্তা ৱারেপ কয়া লৌখিবনি। অদুবু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্বু বৃটিশ সিফাইশিংনা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিন্দুনা মীচম কয়া হাৎখিবনি।
নোংমৈ মরূনা পান্দনবা হোৎনবদগী গুহাদা চোংথনদুনা শিবসু য়াওনখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা ওইবশিংগী লোয়নবীশিংনা মপুরোইবগী অশিবা হকচাং য়েংলদুনা তেংথাখিবগী খোঞ্জেল নৌহৌননা নীংশিংহনবা দ্রামানি। দ্রামা অসি বনিয়ান রেপরটরি থিএটরগীদি অহানবা দ্রামামক্তি নত্তে। মমাঙদসু অনীরক উৎখিবদা য়েংখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি পুং ১গী মতমদা পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহনবা ফংলিবা অসিদদি তোঙানবা মহাউ অমা লোয়নরকখি। য়াম্না মশা নান্না ক্লাসিক ফোর্মদা চঙশিল্লক্তুনা হেন্না তোঙানবা মশক্কা লোয়নবা দ্রামা অমা ওইহল্লকপা হায়বসি থাগৎনীংঙাইনি।
মরৈবাক নীংবা অমদি বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা লৈরিঙৈদা মীয়াম্না নীংতম্বা লৈবাক অমগীদমক থৱায় থাবা পাম্মুখিদে হায়বগী ৱাহন্থোক পুরিবা দ্রামানি। দ্রামা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংগী মনুংদা এ শ্যাম (সের সিংহ), এল টিকেন্দ্র (হংসরাজ), রোবিন্দ্রো ক্ষেত্রি (জেনরেল হেরিদায়র), এম ইবোমচা (রত্নাবলিগী মপা), দল্লিয়ু নাওবী (রত্নাবলি), ঐচ রিয়া (রত্নাবলিনা অঙাং ওইরিঙৈ), কে এস ঐচ লমঙানবা (নুপামচা অমা), টি ঐচ সনাজাওবা (সুত্রাধর অমসুং সী আই) নি।
কোরসতা শরুক য়াখিবশিংনা এন দেবলা, ঐচ নিরুবালা, য়ু বিনোতা, টি পুস্পরানি, টি লিন্থোইঙম্বী, এস সন্তোস, টি বোবি, এল এমসন, এল বুবু, কে প্রবিন, সী ঐচ নরেন্দ্র, এন লেনিন কুমার অমসুং এ রোবিন্দ্রোনি। দ্রামা অসিগী কোষ্টুমদা টি ঐচ সনাজাওবা, য়ু বিনোতা অমসুং ঐচ নিরুবালানি। সেট অমসুং প্রোপসতা লেনিন কুমার, এ শ্যাম অমসুং রোবিন্দ্রো ক্ষেত্রিগা লোয়ননা এম দেবলা অমসুং টি পুস্পরানিনি। মেকঅপতা এন লেনিন কুমার, দল্লিয়ু নাওবী অমসুং টি লিন্থোইঙম্বীনি। ম্যুজিক এসিষ্টেন্টদা এ রোবিন্দ্রো মীতৈ অমসুং সী ঐচ নরেন্দ্রনি। লাইটতা এল ইবোচৌবা, ষ্টেজ মেনেজর রোবিন্দ্রো ক্ষেত্রিনি। ম্যুজিক অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরনা এল তিকেন্দ্রনি।

## থৌবাল বার এসোসিএসননা খোঙজং চঙশিল্লনি

*লামায় ১গী মখা...* কোর্টতদি ফেমিলিগী ওইবা য়াম্না থুবা কেস য়াম্না লাকই। অদুবু লাক্লিবা মীয়ামদসু কোর্টসিদগী খুদোংচাবা ফংদুনা অৱাবা কোক্কনি খঞ্জরবসু রেগ্যুলর জজ লৈতবনা মতম চানা কেস লৌখৎপীদবনি। মসি পূম্নমক অসিগী তাইনফম উকিলশিংদা ওইরে হায়রদুনা মীয়ামসু উকিলসু অৱাবদি চপ মান্ননা মায়োক্নে হায়খি।
মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা য়েংশিনবীনবা মেমোরেন্দম কয়াসু পীরে অদুবু ঙসি ফাওবদা কান্নদ্রে। থৌবালদা লৈরিবা ফেমিলি কোর্টনা ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অনী অসি পুরিবনি। অদুবু রেগ্যুলর জজ হাপ্পীদ্রগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকীদি রেগ্যুলর জজ শিং লৈরি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতনা রেগ্যুলর জজ থল্লগা থৌবালদনা থন্বীদবা অসি লৈঙাক্লা থৌবাল অমদি ককচীংগী মীয়ামগী য়েংলগা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হান্নসু বি জে পি লৈঙাক লৈখ্রে। ফেমিলি কোর্টসু শঙ্গাবিরল্লে। হৌজিকসু বি জে পি লৈঙাক লাক্লে অদুবু রেগ্যুলর জজ অমা হাপ্পীদ্রগদি মতৌ করম্না থবক তৌগনি হায়খি। কোর্ট অমা লিংখৎপগী কান্নবা লৈত্রে হায়রদুনা মসিদি মীয়ামগা লোয়ননা উকিল পূম্নমকসু ৱামিন্নরে হায়খি।
হৌজিক থৌবালদা লৈরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অসি কেস অমা তৌবদা অমসুং লোইশিনবদা য়াম্না ইনকম্পিটেন্ট ওইরে হায়রদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসননা মরী লৈনবশিংদা কমপ্লেন্ট কয়ারক তৌরে। মসিসু ঙসি ফাওবদা তাবীদ্রে হায়খি।
বারগা পুকচেল শেংনা লৈনগদবা মরী অদু লৈত্রে হায়রদুনা বারগী মেম্বরশিংনা হায়জবশিং অমত্তা তাবীদ্রে। সী জে এম, থৌবালদদি য়েক্লবা মশেল কেস তৌনবগা চপ মান্নরে। হায় কোর্টকী জজশিংগী ত্রান্সফর অসি চহী ৩/৩গী ওইনা রোটেসনদা তৌবনি। থৌবাল সী জে এমগীদি ত্রান্সফর রোটেসনগী ৱাফমসি লৈত্রে হায়রদুনা হায়রিবা রোটেসন অসি মেন্দেটরি ওইদ্রবরা হায়নসু হংলদুনা থৌবালদা লৈরিবা সী জে এম অসি চহী ৫ শুরে হায়খি।
থৌবালগী বার এসোসিএসননা য়ানীংদ্রে হায়না ৱাকৎলবসু তাবীবগী মহুত্তা চহী ৩ লৈগদবনা চহী ৫ শুজিল্লক্লে। সী জে এম থৌবালগী ৱার্কিং ষ্টাইল অসিনা ফৎত্রবনিনা মসিদা ৱারিবসি লৈজদবা মীয়ামনি হায়খি।
হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা থবক পায়খৎপীরক্ত্রবদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসননা মণিপুর বার এসোসিএসনগী মতেং নীদুনা থৌবাল কোর্ট বোয়কোট তৌবা য়াওনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিল্লক্নি হায়খি।
ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী তোঙান তোঙানবা মেম্বর উকিলশিংসু শরুক য়াখি।

## চৈরাও চীংদা হৈকৎ লৈকৎ তমহন্নবা হায় কোর্টনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মাইবম তম্পাক চনু (৪৩), হৈবোংপোকপী ময়ায় লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা কামেশ্বর এলিয়জ কান্তগী মায়কৈদগী কোন্থৌজম কান্ত (৪১) অমসুং মোরে হৈনৌ মখোং ৱার্দ নম্বর ৬তগী লৈখিদ্রবা আর কে খোইরোম্বা এলিয়জ গ্যানেগী মচিন মনাও আর কে সুখ (৬১) না পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মখোয়গী পিটিসন অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিনি।
মেট্টর অদু কোর্টনা মমাঙ থাগী ২৯দা লৌখৎলগা খন্নরকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল চোংথাম ঙোঙোনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নিরঞ্জননা লেপখি।
জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা কাউন্সেল অনীমক্কী সবমিসনশিং তাবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী পাঙথোরকপগুম্না থা অসিগী ১৩দসু চীংমৈরোং চৈরাও চীংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোকপদা অয়াবা পীহনবীয়ু হায়জরকখিবা ৱাফম তাবগা লোয়ননা হৌখিবা থৌরমশিংদসু কোর্টকী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মফমদা চহী খুদিংগী মখোয়গী মরী-মতা অমসুং নক্লবা মরূপ মপাংশিংনা থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক রিট পিটিসনশিং ফাইল তৌরকপা লৈখিবগা লোয়ননা চপ মান্নবা দিরেক্সনশিং পীদুনা লাকখি হায়বা ৱাফম কোর্টকী মায়কৈদগী থমখি। লোয়ননা পিটিসন অসিনা প্রেয়র তৌরক্লিবা ৱাফম অসিদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নিরঞ্জনগী মায়কৈদগী ওবজেক্সন অমত্তা তৌখিদে।
অদুম ওইনমক ষ্টেট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগীদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগা মরী লৈননা অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী এস ও পি ঙাকপগা মরী লৈনগদবা থবকশিং লৌখৎপগী অয়াবদি পীখি। মরম অসিনা কোর্টকী মায়কৈদগীসু পিটিসন অসিগী ষ্টেট রেসপোন্দেন্টশিংদা চীংমৈরোং চৈরাও চীংথক্তা লৈবা নীংশিং খুভমদা চঙদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী পিটিস্নরশিং, মরী-মতা, মরুপ-মপাং অমদি নক্লবা মীওইশিংনা মখোয়গী মফমদা মমাঙথক্তা তৌখিবগুম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থবক থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকপদা অয়াবা পীখি।
অদুম ওইনমক লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিংদদি কোর্টকী মায়কৈদগী অথিংবা পীখিদে। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা কোর্টকী মায়কৈদগীসু অয়াবা পীরবনিনা মরী লৈনরিবা মীওই পূম্নমক্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু এদভোকেট নিংথৌজম গোজেননা ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

## কোংগ্রেসনা ...

*লামায় ১গী মখা...* রুল ৫গী মায়োক্তা চথবা থৌওংনি হায়খি। মরম অসিনা গভর্ণরনা দি আই পি আরগী এ পি ও অসিবু কম্পলসরি রিটাইয়ার্দমেন্ট পীনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পাউতাক পীবিয়ু অমসুং অসিগুম্বা তশেংনা উৱবা থবক অসি লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা অমুক হন্না তৌরকহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়খি। পনবা য়াবদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী অমা ওইখিবা মমিং লৈরবী শৈশকপী অমা পোলিটিকেল কেম্প্যেনদা শরুক য়ারুই হায়বগী চার্জদা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরুবা লৈখিবনি।

## অমিট শাহগী ...

*লামায় ১গী মখা...* অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়বগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম খুদক্তা হন্দোক্কদবনি অমসুং ৱাফম অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হোম মিনিষ্টরনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রি।
নেফিসকী মেম্বর থোকচোম য়াইফলেম্বী চনুগী চেরোল অমদা অমিট শাহগী ৱাফম অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোলশিং অমসুং লৈবাক অসিদা শীজিন্নরিবা অতৈ লোলশিংদগী হিন্দিলোলনা হেন্না মরু ওই হায়দুনা ফোঙদোরকপা ৱাফমনি হায়রি। হিন্দিলোল নত্তবা হিন্দি ঙাঙদবা মফমশিংদা লৈরিবা লোলশিংবু চাওখৎনবা অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপগী মহুত্তা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অকনবা য়াথং পীরক্লিবসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংগী কলচরেল চৌভিনিজম হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা ওইনা থোক্কনি হায়রি।মরম অদুনা অমিট শাহগী ৱাফম অসি নেফিসনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবগা লোয়ননা খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩২.৫২°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.০৬°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৭.৪৭
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৫

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 82.735860 |
| US Dollar | 75.870577 |
| British Pound | 98.893513 |
| Australian Dollar | 56.435571 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.916839 |
| Japanese Yen | 0.604188 |
| Malaysian Ringgit | 17.936700 |
| Singapore Dollar | 55.604633 |
| South Korean Won | 0.061488 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.232154 |
| Thai Baht | 2.258773 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Benglore | – | Rs | 5237.00 |
| Chennai | – | Rs | 5301.00 |
| Delhi | – | Rs | 5237.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5237.00 |

**GAS NEWS**

**TDK GAS**
**BK. UPTO 10/02/22.**
VF.08/02/22.
**STK.306.**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324
TIMING 9:00 AM. TO 3:00 PM.
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-08-01-2022,**
VALID FROM 02-01-2022,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

## ঐখোয় পূম্নমক্না চীং-তম খায়দনা পুৱারী খঙনা খূৎশম্ননা ...

*লামায় ১গী মখা...* ঐখোয়গী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনখিবনি হায়রদুনা মীপূম খুদিংমক্না কাঙলূপ নাইবা ৱাখল্লোন চেনবীদনা অমসুং মশা মশাগী ফুরুপকীদমক খন্দনা ঐখোয় পূম্নমক ইপা ইপুশিং অদুগী চাদা নাওদানি হায়বা ৱাখল্লোন্দা লমদম অসিবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা পূম্না হোৎনমিন্নগদবনি হায়খি।
মণিপুর লৈঙাক্লা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎপগী থৌরমশিং ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোকপা হৌরক্লে হায়রদুনা মীয়াম্নসু মখোয়না মমা লৈবাক কন্নবগীদমক্তা কথোককখিবশিং অদু মশক খঙগদবনি। ঐখোয়না ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি ঐখোয়গী লুচিংবশিং অদুনা কথোক্তুনা লৌরম্বা অচৌবা থৌদাংশিংদগীনি হায়খি।
মখোয়বু ঐখোয়না ইকায়খুম্নদ্রবদি অমসুং মখোয়না চৎলম্বা লম্বীদা চৎত্রবদি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদেকাখি।
লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নোংমাইজিং চীংগী নাপোমদা মায়চৌ তরেৎকী মীতমশিং খিন্ননবা মফম য়েংশিনবা হৌরে হায়রদুনা নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা মহারাজ নরসিংহগী মীতম অমসু কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদা খিল্লগনি হায়খি।
লোয়ননা মহারাজ নরসিংহ মহারাজনা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নীংশিংলদুনা মমিং থোনখিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা লেং ওন্দবী পাৎ য়োকখত্তুনা থন্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।
থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা কথোক্লম্বা অমসুং মখোয়না লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা মখোয়গী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমবু অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা চহী ৭ খুন্তাক্লিঙৈ মনুংদা মহারাজ নরসিংহনা মণিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী কন্নবগীদমক মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না শিংথাখি। মতম খুদিংমক্তা মরৈবাক মরমদমবু কন্নবগীদমক হোৎনখিবা মহারাজ নরসিংহনি হায়রদুনা মহাক্না নিংথৌ অমা ওইনা লৈবা পৱারদগীদি মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবনা মাঙজিল থাখি হায়নসু ফোঙদোকখি।
ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং- থোঙাম বিশ্বাজিৎ, য়ুম্নাম খেমচান্দ, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, নেমচা কিপগেন, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমসুং সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।
চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা মহারাজ নরসিংহগী নীংশিং খুভমদা লৈবা মহাক্কী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা নূঙজেং পুখ্রি অচৌবদসু তর্পন কৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কন্টিনজেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর, গন সেল্যুট পীখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রববু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা লাষ্ট পোষ্ট খোংখি।

## মশা লূম্লবী নুপীবু ...

*লামায় ১গী মখা...* কৈশুমশঙদগী থাদোরক্লবদি মীয়াম্না অকিবগা লোয়ননা হিংলগনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু থাদোরক্লবদি ভিক্টিম অসিনা মশা মথন্তা শিজনবগী ফিরেপ লৌরে হায়না মচিন্না থোক্লা ফোঙদোকপসু লৈরে হায়খি।
চরা তান্নবগীদমক থবক শুবা চৎথোক্লখিবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি। ভিক্টিম অসিনা নাওপুরিবা অঙাং অসিসু মহাক্কী অহানবা অঙাংনি। অঙাং অসিনা তাইবঙ ফাওরক্লবা মতমদদি করি ওইগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা চেন্নরিবা মীওই অনীমক কৈশুমশঙদগী থাদোকপীগনু হায়নসু পাউমীশিংগী খূথাংদা ফোঙদোকখি।

## এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন ...

*লামায় ১গী মখা...* ভি ঈ দল্লিয়ু ৭৫, এল দি সী/ও এ-২, দি এ ও থৌবালগী মখাদনা থৌবাল অমসুং ককচীংগী ওইনা ভি ঈ দল্লিয়ু ৪০ অমসুং এল ও সী/ও এ-২নি হায়রি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরবা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট্যুএল ষ্টাফশিং ওইরম্বশিংগীদমক ক্রিএসন তৌরে হায়রিবা অপূনবা পোষ্টশিংগী মশীংনা ভি ঈ দল্লিয়ু ২১৫ অমসুং এল দি সী/ও এ ১৪নি হায়নসু ওর্দর অসিনা পল্লি।
অদুবু মতাংসি য়ৌরকপদা থোরক্লিবা ৱাফমদি এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট্যুএল ষ্টাফশিং ওইনা লৈরম্বদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌখ্রবসু এ টি এম এগী ষ্টাফশিংগী মনুংদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ২, চান্দেলদগী ১, সেনাপতিদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ২ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১ য়াওনা ষ্টাফ ৭ লোমদি এ টি এম এগী ষ্টাফশিংবু এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা মখোয়না পুগদবা পোষ্টশিং ক্রিএসন তৌদুনা য়েন্থোরক্লবসু মখোয়দি পামদে। অদুনা মখোয়না হান্নদগী লৈরকখিবা এ টি এম এগী ওইনা মখোয়না পুজরকপা পোষ্টশিং অদুদা অদুমক লৈজরগে হায়বা ৱাফম থোরকপনি হায়রি।
ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পাউচে অসিনা মণিপুরগী এ টি এম এ এমপ্লোয়ীশিংগী লৈরিবা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস বিদ্যালক্ষ্মিগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, এ টি এম এগী লৈরক্লিবা ষ্টাফশিংবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌবগা লোয়ননা লোয়শঙ অসিদা লৈরবা মতুংদা পোষ্ট ক্রিএসন তৌদুনা পীরক্লবসু মহাক মশামক য়াওনা ষ্টাফ খরগনা য়ানীংদে অমসুং মখোয়দি এ টি এম এদা অদুমক লৈগনি হায়রি।
মসিগী চপ চাবা মরমশিং করিগীনো হায়দুনা হংখিবগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, হান্না এ টি এম এগী ষ্টাফশিং ওইরিঙৈদা ষ্টাফশিং অদুনা পুরম্বা পোষ্টশিং অদুদগী এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরবা মতুংদা ক্রিএসন তৌদুনা পীরক্লিবা পোষ্টশিং অসিনা য়াম্না হন্থে হায়রকখি।
হৌজিক এগ্রিকল্চর দিপার্টমেন্টনা এ টি এম এদগী এবজোর্পসন তৌদুনা রিগ্যুলরাইজেসন পীরবনি হায়দুনা মখোয়গীদমক পোষ্ট ক্রিএসন তৌরক্লিবা পোষ্টশিং অসিদি ফিল্ড এসিষ্টেন্টগা লেভেল মান্নবা ভিলেজ এক্সটেন্সন ৱার্কর অমসুং এল দি সীশিংগা লেভেল মান্নবা ওফিস এসিষ্টেন্টশিংনি হায়রি।
লোয়ননা এ টি এম এ বিষ্ণুপুরগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এস জুগেশ্বরনা জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরদা ইখিবা লেট্টর নম্বর ৪/এ টি এম এ/বিষ্ণুপুর/ইষ্টাব্লিসমেন্ট/২০১৬কী মতুংইন্নসু এমপ্লোয়িজ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনি হায়রিবী এস বিদ্যালক্ষ্মিগী মমিং সিরিএল নম্বর ৪দা য়াওবগা লোয়ননা মহাক্কী প্রজেক্ট পোষ্টনা ব্লোক টেক্নোলোজি মেনেজর (বি টি এম) ওইবগা লোয়ননা করিগুম্বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এ টি এম এগী ষ্টাফশিং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরবসু মসিগী মতুংদা ক্রিএসন তৌদুনা পীরক্কদবা পোষ্ট অদুসু মখোয়না হান্নদগী পুরকখিবা বি টি এম অদুমক ওইগদবনি হায়বগী ৱাফম পল্লি। অদুগা সিরিএল নম্বর ৮দা য়াওরিবী বি টি এম ওইনা পুরকখিবী মীওই অমসু মহাক্কী পোষ্টকী ওপসনদা বি টি এম হায়না অদুমক পল্লি হায়রি।
মসি খক্তা নত্তনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এ টি এম এগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এম গিনজালিয়াননা জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা এগ্রিকলচর দিরেক্টরদা ইখিবা লেট্টর নম্বর ০২/পি দি-এ টি এম এ/চুড়াচান্দপুর/২০১৮-১৯দসু এ টি এম এগী মখাদা এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজর ওইনা থবক পুরকখিবা মীওই অনীগী মায়কৈদগীসু মখোয়দি এ টি এম এগী মখাদা অদুমক লৈজগে হায়বা ৱাফম খঙহল্লক্লে হায়নসু পল্লি।
ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী চোঙথোরক্লিবা ৱাফমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট্যুএল ষ্টাফশিংবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌবীখিবা অদু মখোয়বু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা মরী লৈনরিবা দিপার্টমেন্ট অসিদা রিগ্যুলরাইজেসন পীবিদুনা সর্ভিস প্রোটেক্সন তৌবীনবগীদমক শেম্বীরিব্রা নৎত্রগা মখোয়না হান্না পুজরকখিবা পোষ্টশিং অদুগী মহুত্তা ভি ঈ দল্লিয়ু নৎত্রগা এল দি সী/ওফিস এসিষ্টেন্ট ওইনা পোষ্ট ক্রিএসন তৌদুনা হন্থহল্লবা রেঙ্কতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌশিনবীরিবসি শেমদোকপীরিব্রা হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লি।
চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এ টি এম এশিংগী ষ্টাফশিংগী মনুংদগীনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং কাঙথোক্লরক্লবসু এ টি এম এ উখ্রুলগী প্রোজেক্ট দিরেক্টরনা জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা এগ্রিকলচর দিরেক্টরদা ইখিবা লেট্টর নম্বর ০১/উখ্রুল/ইষ্টাব্লিসমেন্ট/২২ (পার্ট) কী মতুংইন্নদি এ টি এম এ উখ্রুলগী মখাদা এ টি এম/বি টি এম ওইনা থবক পুরকখিবা ষ্টাফ ২২বু এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরবা মতুংদা মখোয়দা ফিল্ড এসিষ্টেন্টকা মান্নবা ভিলেজ এক্সটেন্সন ৱার্কর ওইনা পোষ্ট ক্রিএসন তৌদুনা পীবদা অয়াবা পীরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপসু লৈরে হায়দুনা পল্লি।
মখা তানা এ টি এম এগী ষ্টাফশিংগী মতাংদা লৈরক্লিবা চয়েৎনবা অমসুং হৌজিক ফাওবদা লৈখায় তাদ্রিবা ৱাফম অমনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টদা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরে হায়বগী ওর্দর থোকপদা নত্তনা থা অসিগী ৮দা মখোয়না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং ওইরবা মতুংদা মখোয়দা পীগদবা পোষ্টশিং ক্রিএসন তৌরে হায়রগসু এ টি এম এগী স্কিমগী পোষ্টশিং অসি জন্যুৱারী ৩১দা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ইরকখিবা ওফিসল লেট্টর এস এম ও-২/মণিপুর-ঈ আর/২০১৭কী মতুংইন্না কন্মিস্নর (এগ্রিকলচর) দা চৎলিবা কুমজা ২০২২দগী হৌরদুনা মথংগী চহী ২০২৩ ফাওবা মখোয়বু এ টি এম এগী ষ্টাফশিং ওইনা এক্সটেন্সন পীবিনবগী অইবা চেরোল থারকপা লৈরে হায়বসিনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা খন্নদুনা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন পীরবা অমসুং মখোয়দা খূৎশিন্নগদবা পোষ্ট ফাওবা ক্রিএসন তৌরবা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট্যুএল ষ্টাফ ওইনা লৈরম্বশিংবু করিগীদমক্তা স্কিম অসিগী মখাদা মখা শাংথনা এক্সটেন্সন তৌগদৌরিবা করিগীনো হায়বসিনি।
অমরোমদনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যেরগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফ্যের (দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন) গী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (এক্সটেন্সন) অনিল জেননা মার্চ ২৫, ২০২২দা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/সেক্রেটরি (এগ্রিকলচর) দা ইদুনা খঙহল্লকখিবা চেরোল অমদা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌরিবা এ টি এম এগী স্কিমগী ষ্টাফ পূম্নমক চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা এক্সটেন্সন তৌরে হায়বগী ৱাফম খঙহল্লকখিবসু লৈরিবনি। অদুনা অপূনবা এ টি এম এগী ষ্টাফ ২২৯ এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌদুনা পোষ্ট ক্রিএসন তৌরবসু মসিবু পামদবা ষ্টাফশিংনা অদুমক মখোয়গী হান্নগী এ টি এম এদা লৈহৌরগদি মখোয়গী মশীংদি য়ামদবনিনা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিংনা মতৌ করম্না মখা চত্থগদৌরি। অদুম ওইনমক সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী থবক এক্সটেন্সন তৌরকখ্রবনিনা অয়াম্বা ষ্টাফশিংনা এবজোর্পসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌখ্রবসু মখোয়গী মহুত্তা এ টি এম এ অসি অদুমক লৈখিনবা অনৌবা ষ্টাফশিং লৌগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু থোরক্লি।

## অমিট শাহগী ৱাফম ইন্টিগ্রিটি থুগাইনবনি...

*লামায় ১গী মখা...*
ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোতিনকমারগী চেরোল অমনা হায়, রাজ্য সভাদা বি জে পিনা মপূং ফাবা মেজোরিটি ওইরকপগা আর এস এসকী অফোঙবা অমসুং অরোনবা এজেন্দাশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হোৎনরক্লিবা অসি মশীং য়াম্লবা লোল, লাইনীং-লাইশোন অমসুং ফিজেৎ চাকচা খেন্নবা, অপীকপা ফুরুপশিংগী কাঞ্জুল মুখৎনবনি।
কোভিদ-১৯ লাইচৎনা চহী ২ রোম হেন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবা মীচম মীয়াম অমসুং মিদল ক্লাসতা লৈবশিংগী য়াইফনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনদনা অখন্নবা কোর্পোরেট মপু খরদা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা লৈঙাক অসিনা পেট্রোল, দিজল অমসুং কুকিং গ্যাসকী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবদগী চান থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংদা নত্তনা অনা লায়েংদা শীজিন্নরিবা হীদাক মখল কয়াগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎহল্লি। থৌশিল অসিনা নোংমগী শু নোম্লগা হিংনবা হোৎনরিবা মশীং য়াম্লবা ইমুং কয়াবু অৱাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লহনবদগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি কয়ানা ষ্টেট শিন থুংবদা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লিবসি নাথৈহন্নবা হিন্দিলোলবু নেসনল ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবা হোৎনরকপনি হায়না সী পি আইনা লৌই। মসিনা মল্টি কলচরেল সোসাইটি অমা ওইরিবা লৈবাক অসিগী নীংথিরবা শক্তম মরিং মরাংহল্লগনি।
মীচম মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্নবা হোৎনদনা হিন্দু রাষ্ট্র মপূং ফাহন্নবা লাইনীং লাইশোন খেন্নবা ফুরুপশিংদা চাবা য়াদবা অমসুং শেৎপা য়াদবা ফিজোল চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি সঙ্ঘ শাগৈগী পৱার পাকথোক চাওথোকহন্নবা হোৎনরকপনি। লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা হিন্দিলোলবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরম্বদা নত্তনা ফুরুপ কয়াগী মমালোনশিংসু চাওখৎহন্নবা হোৎনরমখি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মখা তানা চত্থনবা হোৎনদনা হিন্দুত্বাগী অখুবা মীৎয়েং মখাদা হিন্দিবু ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবা অমদি অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা ক্লাস টেন ফাওবা তমহন্নবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অকনবা পাউতাক পীরক্লিবা অসি লৈবাক্কী ইন্টিগ্রিটি থুগাইনবা হোৎনরকপনি। খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী ফেদরেলিজমদা চাওনা শোকহল্লগনি হায়রি।

## হিন্দিলোলবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইহনবা...

*লামায় ১গী মখা...*
অদুম ওইনমক অতোপ্পা য়েলহৌ লোলশিংগীসু ইনাক খুনবা মচাক অমসুং মখোয় মশাগী মশক তাকচবা লোলশিং লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অসি মল্টি-লিংগুএল লৈবা নেসননি হায়রি।
অৱাং নোংপোক রিজনদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ওইনা মখোয় মখোয়গী তোপ তোপ্পা লোলশিং লৈজৈ অমসুং ইন্দো-অরিয়ান্দগী হৌরগা টিবেটো-বর্মন অমসুং অষ্ট্রো-এসিয়াটিক ফেমিলিনচিংবগী এথনিক গ্রুপশিংনা হায়রিবা য়েলহৌ লোলশিং ঙাঙন-শক্নরি হায়রি।
হায়রিবা মফমশিং অসিদা মখোয়গী ফুরুপশিংগী মশক তাকপা লোলশিংবু মমালোল নৎত্রগা য়েলহৌ লোল অমসু ওইরিবনি হায়রি। মরম অসিনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইহন্নবা হোৎনরকপা থৌওং অসি মফমশিং অসিগী য়েলহৌ লোলশিং খক্তা নত্তনা মহৈরোয়শিংদসু অতোপ্পা কম্পলসরি সবজেক্ট অমা হাপচিনবগী থৌওং ওইগনি হায়রি।
মরম অসিনা ৱাফম অসি নেসোনা য়াবা ঙম্লোই হায়রদুনা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইহনগনি হায়রিবা ৱাফম অসি ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বীয়ু ...

*লামায় ১গী মখা...* পাকপা ঙমগনি অমদি নীংতম্বা লৈবাক খুন্নাই অমা লিংদুনা ইশানা ইরোমদোম লৈঙাকচদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহনবা ঙমদুনা অমসুং মালেমগী চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওবা ঙমগনি। ঙসিদি ইন্দিয়ানা মণিপুরবু মখোয়গী লান্মীগী নম্ফু লৈঙাক মখাদা থম্বগা ইরোয়ননা মণিপুর মচাশিংবু মশানা মশাবু কাউথোক্লবা ইন্দিয়াগী নাৎ চৎনবীগী লাংদা থুহন্দুনা ইন্দিয়া মচানি হায়না খলহন্নবা শিল্লক্লিবা থৌওং অমদি মীয়ামগী মরক্তা চথরক্লিবা বালকানাইজেসন অসিদগী মীয়াম হুপ্না ৱাখল খন্থমিন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা থৌরাং অসিদগী মণিপুর অসি কলহৌনবগীদমক নীংতম লাঞ্জং অসি লেপ্তুনা চঙশিনমিন্নবা মতম অদু অমুক্কা হেন্না মরু ওইরক্লে। মরম অদুনা ইমা লৈবাকপু কনবা হায়বসি ইশা ইশাগী তৌফদ্রবা থৌদাংনি খন্না চোঙথোকপীরক্তুনা লাঞ্জং অসিদা য়াওশিনবীরক্লো হায়রি।
নীংহন্নবা, চোকথবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংনা ইমা লৈবাক ইরমদমগীদমক থৱায় থাদোক্তুনা থেংনখিবা নীংতম য়াওল ঈহৌগী লান্থেং অসি তাঙ্কক অমা য়ৌনা পুখৎপীরল্লবনি হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়, আর পি এফতি লৈবাক মীয়ামগীদমক ইশাগী ঈ মরীক অমফাও চেল্লিবা মখৈ ইমা লৈবাক্কীদমক লান্থেংনখিগনি অমসুং মীয়ামগীদমক লেপখিগনি। আর পি এফনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মসিগী থিংঙমদ্রবা লান্থেং কয়াদা য়েক্লবা চথরকপা অরোনবা মায়খুম উপ্পা লাল্লোং কয়া লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খঙহনখ্রে। মরম অদুনা আর পি এফনা য়েক্লবা ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী নীংতম্বগী ৱাফম খক্তদা ৱারী শানবা নত্তনা অতৈ করিগুম্বা মরম অমত্তদা ৱারী শানরোই হায়বসি অচেৎপা ফিরেপনি হায়রি।
অরোইবদা আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এনা মীনাই নাইথাংগী পুন্সি মহিং অসিদগী নান্থোক্লবা অমদি নীংতম্না ইশানা ইরোমদোম লেপচনবগীদমক ইন্দিয়াগী লমলৌ লান্মীশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা লাঞ্জং অসিদা থৌনা ফরবা অথৌবা য়াওল্লোই কয়ানা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা ইমা লৈবাক্কীদমক কথোকখিবা 'অথৌবশিংগী নুমিৎ এপ্রিল ১৩' না লাকপদা মণিপুরদা নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী হৌনা নুংশি চান্নরা হিংমিন্নরক্লবা চীংবুরোই তম্বুরোই ইরৈচা খুদিংমক্লা অচিনবা কয়া কাইথোকপীদুনা নুমিৎ অসিদা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা শরুক য়াবীনবা হায়দুনা আর পি এফকী মায়কৈদগী নোল্লুক্লা পাউজেঞ্জরি, লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপীনবসু নোল্লুক্লা নীংশিংজরি। লোয়ননা নুমিৎ অসিগী ওইনা লাইনীং লাইশোনগী থবক থৌরমশিং নত্তনা চাকচা হৈজানবা অমদি মখল খুদিংমক্কী হরাও কুম্মৈশিং লেপ্পীয়ু হায়না আর পি এফনা নোল্লুক্লা মীয়ামদা থমজরি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।